**File Copy from Poknapham**
**IMPHAl, 8th June, 2012**

# কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্ককী পাক চাউবা নৌনা লেপথোক্কদৌরি



*পোক্নফম নিউজ সার্বিস*

ইম্ফাল, জুন ৭ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংদা ফংদবা শঙাইগী লৈফম ওইরিবা কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্ক অসি তোঙান তোঙানবা মরম কয়ানা শীংনরকপদগী শঙাইশিংদা চাউনা চৈথেং ফংলিবা অসি নৌনা য়েংশিনবগা লোয়ননা পার্ক অসিগী পাক চাউবা নৌনা লেপথোক্কদৌরি।

ওফিসিএল ওইবা পাউদা, নেসনেল পার্ক অসি হৌজিক ওইরিবা বাউন্দরি চপ চানা লেপথোক্লবগীদমক মণিপুর সরকারগী ফোরেস্ত এন্দ এনবাইরোনমেন্ত দিপার্তমেন্তনা মমাঙদা থোকখিবা নোতিফিকেসন নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌরগা থবক অসি পাঙথোক্লবগীদমক ওফিসিএলশিংগী জোইন্ত কমিতি অমা থা অসিগী ৫ দা শেমখ্রে। কমিতি অদুদা য়াওরিবশিংদি ফোরেস্ত দিপার্তমেন্তকী মীহুৎ ওইনা দিপুতি কঞ্জার্বেতর ওব ফোরেস্ত পার্ক এন্দ সেঙ্কচুৱারি; দি এফ ও / দিস্ত্রিক্ত ৱাইল্দ লাইফ ৱার্দেন, বিষ্ণুপুর ফোরেস্ত দিবিজন, রেঞ্জ ওফিসার, কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্ক রেঞ্জ ৱান, রেঞ্জ ওফিসার, কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্ক রেঞ্জ তুনি। অদুগা, রেবিন্যু দিপার্তমেন্তকী মীহুৎশিংদি এস দি ও, মোইরাং, এস দি ও ৱাঙ্গোই এস দি সি মোইরাং, এস দি সি ময়াং ইম্ফাললনি। অদুগা, দিপুতি কঞ্জার্বেতর ওব ফোরেস্ত (পার্ক

*মথা লামায় ৫, কলম ৭ তা*

# কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্ককী পাক চাউবা নৌনা লেপথোক্কদৌরি

(লামায় ১গী মখা)

এন্দ সেঙ্কচুৱারি) না কমিতি অসিগী কনভেনরনি হায়রি।

ইম্ফাল ময়োলদগী কিলোমিতর ৫৩ চৎলগা বিষ্ণুপুর দিস্ত্রিক্তা লৈবা পার্ক অসিগী পাক চাউবা অসি স্কোয়র কিলোমিতর ৪০ রোম্নি। লোক্তাক পাৎকী শরুক অমা ওইরিবা কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্ক অসি মালেমগী ওইনা অমত্তা ঙায়রবা অতাউবা ফুমদিগী পার্কনি। মালেমগী অতৈ মফমদা ফংদবা অতাঙবা শজি মখল, শঙাইগী লৈফম ওইবনসু পার্ক অসি মালেমগী মীয়াম্না অতাঙবা নেসনেল পার্ক অমা ওইনা শকখঙনরি। পার্ক অসি ইং ১৯৭৭ তা নেসনেল পার্ক ওইনা লাউথোকখিবনি।

শঙাইগী লৈফম ওইবথক নত্তনা পার্ক অসিদা অতাঙবা মনা মশীং মখল ১০০ গী মথক্তা ফংলি। লেমজনফম ওইরবা পার্ক অসি ঙসিদি মায়কৈ কয়াদগী লেপ্পা লৈতনা শীংনরক্লি হায়রি।

ইং ১৯৮৩ দা লোক্তাক মল্টি পর্পোজ প্রোজেক্তকী মখাদা ইথাই বেরেজনা ঈশিং থিঙ্গৎপদগী ফুমদিশিং অসুম ঈশিং থুমজিল্লক্লি। মসিনা শঙাইশিং লৈবদা চৈথেং পীরে। শঙাইশিংনা চেন চোংবদা ফুমদিশিংদা পুখবা হৌরেসু হায়রি।

শীংনরক্লিবা ফীবম কয়াশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা ওফিসিএলশিংগী জোইন্ত কমিতি অসি শেম্বনি। পার্ক অসিগী মরুওইবা শরুকশিং নিংথিনা ঙাক শেন্নবা, অকোয়বদা খুন্দারিবশিংনা শীং, চীঞ্জাক থিবা অমসুং মৈ থাদোকপা কয়াসি থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, পার্ক অসিদা মীতোপ অমদি অতৈ জিবশিং চঙদনবা ফোরেস্ত দিপার্তমেন্তনা পার্ককী অকোয়বদা মিতর ২,২৮১ শাংনা শম্বল খাৎখ্রে। যণ চঙদনবা মিতর ৮৭০ শাংনা কোমগী ঈরম তৌরে। ফোরেস্ত ওফিসিএলশিং থমদুনা ফুল তাইম ওইনা য়েংশিনবগী থবক চথরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

**© Disclaimer: All efforts have been made to make the information as accurate as possible.**